**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-12-2024)**

**দিংগো (এল)ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়ার অমসুং লেবর মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি-রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা স্কিল দিবলপমেন্টকী ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎন্নবা হোৎনরি।

ৱাফম অসি সেকমাইদা লৈবা গভরমেন্ট আই.টি.আইগী অহানবা সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মীওই খুদিংমকা সরকারগী থবক ফংগনি হায়বা লৈতবনা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা মশা মশাগ শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা রাজ্য অসিদা আই.টি.আইগী সেক্তর চাউখৎহনদবা য়াদে হায়বা পান্দমগা লোয়ননা থৌরাংশিং অসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপনি। রাজ্য অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি নীংথিনা লৌদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবা হোৎনগদবনি হায়নসু শ্রী হৈখাম দিংগো মখা তাখি।

**খাশিম (এল)ঃ** এনিম্যেল হসবেন্দরি অমসুং ভেটিরিনারি মন্ত্রি-খাশিম বাশুমনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী ফুংচমদা অহুমশুবা ফুংচম হাউফা ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে।

হাউফা অসি তাংখুল জাতিনা মমাংঙৈদগী লোইরকপা হুই মখল অমনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-হাউফাবু লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা শা মখল অমা ওইনা লাউথোকবা রাজ্যগী এনিম্যেল হসবেন্দরি বিভাগনা থবক পায়খৎলি। ফুংচম হাউফা লভরস এসোসিয়েসননা শিনবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি কেঙু জ়রিংলা অমসুং ত্রাইবেল দিবলপমেন্ট অমসুং হিলসকী দাইরেক্তর-শ্রীমতি হনাহ্ কামৈসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া উৎখি।

**এময়ু (এল)ঃ** এদভান্সেস ইন মেথমেটিক্স এন্দ ইটস এপ্লিকেসন-২০২৪ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা মালেম থাক্কী মীফম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

যুনিভরসিতি অসিগী মেথমেটিক্স দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরম অসি হৌদোক্লদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়-মীফম অসিনা মহৈরোইশিং, রিছার্স স্কোলারশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী ফেক্লতি মেম্বরশিংনা মতমগা চান্ননা অনৌবা এপ্লিকেসন কয়া পুথোকপা ঙম্লগনি। থৌরমগা মরী লৈননা মীফম অসিগী প্রোগ্রাম কনভেন্নর-প্রোফেসার-এম.প্রেমজিৎনা হায়-চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না অনৌবা রিছার্সরশিংদা মতৌ করমা মেথমেটিক্সপু অতোপ্পা সবজেক্টশিংদা এপ্লাই তৌগদগে হায়বদুগী মতাংদা মীফম অসি পাঙথোকপনি। কনফরেন্স অসিদা মপান লৈবাক্তগী য়াওনা মীওই ২৮ না সেসন ২৬ শরুক য়াগনি। থৌরমগী মনুং চন্না এবস্ত্রেকশিংগী বুকলেট অমসু ফোংখি।

**স্কোলারসিপ (এল)ঃ** সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী ২০২৩-২৪ গী স্কোলারসিপকী শেনফম পীথোক্তবগী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা চংশিনখিবা খোঙজং অদু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্পুনা তানখায়খি। মহৈরোইশিং অদুনা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতগী হৌরগা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স হিলস বিভাগ তমা খোঙচৎ অমা লাকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা লাক্লিবা মহৈরোইশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ঙাইহাক মুকরবা তুংদা

মহৈরোইশিং অদুবু লাকশিন্নবা টিয়ার গ্যাস সেল অদু কাপখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোই অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী ইং ২০২৩-২৪ গী স্কোলারসিপকী শেনফমশিং ফংগদবা মতমদগী কা হেন্না থেংথরগা লাকখি। হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবশিংদা কয়ারক ৱাকৎখিবা লৈরবসু মীৎয়েং চংল্লক্তবদগী খোঙজং চংশিল্লকখিবনি।

ঙসি ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী মখা তানা খোঙজং চংশিনখিগনি হায়রি।

**খাগেম্বা (এল)ঃ** কৈরাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ-এল. রামেশ্বরনা হায়রি-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিনদুনা হান্নগুম ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা বি.জে.পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি-বি.এল. সন্তোস য়াওনা লুচিংবা কয়া উন্নদুনা ৱারী শাবা লেপত্রি।

ৱাফম অসি ঙসি কিয়ামগৈদা লৈবা ইবুধৌ মোংয়াম্বা অমদি ইবুধৌ খাগেম্বা মচাইবুংঙোগয লাইশঙশিংদা পাঙথোকপা পোইনু থাগী থৌনি থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-লৈমখোংদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতগী মীচম অমা মাঙখ্রগা থিবা খঙদবা অসি ঐখোয় পুমমক্কী লাইবক থিবনি। মসিনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম অকি -অখঙ য়াওদনা হিংলিব্রা হায়বসি ৱাহং ওইহল্ল। থৌদোক অসিগী মতাংদা ক্পা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবা পুরকবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতাগা লোয়ননা দিল্লিদা চৎতুনা বি.জে.পিগী লুচিংবা বি.এল. সন্তোস উন্নখ্রে। হৌজিকসু শ্রী সৈত্যবরতা দিল্লিদা লৈদুনা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়াগা লেপ্তুনা উন্নরি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এনা রামেশ্বরনা মনিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা অপুনবগী শক্তমগী মতাংদা পল্লদুনা হায়-রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং

অমদি ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা মনিপুরদা পাল্লম্বা নিংথৌ খাগেম্বগী মতমদা লৈরম্বা লৈঙাক্লোন হৌজিক্কী মীরোলনা নিংশিংবা তঙাইফদে। মনিপুরদা পাল্লম্বা নিংথৌ অসিগী মতমদা চৎনরম্বা লৈঙাক্লোন, খুন্নাইরোল, মতিক মথৌনা অমসুং লাইনিং লাইশোলগী কাংলোনশিং ঐখোয় পুমমকা নিংশিংবা তঙাইফদে।

**ইন্দিয়া ব্লোক (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা য়ুম্ফম ওইদুনা ইন্দিয়া ব্লোক মনিপুরনা শিনদুনা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা ৱাকৎ মীফম চথেগনি তৌরম্বা অদু মরী লৈনবশিংনা অয়াবা পীরক্তবদগী পাঙথোকখিদ্রে।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ৱাকৎ মীফম চথগে হায়বদা অয়াবা পীরক্তবা অসি সংবিধানগী মায়োক্তা লৈবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগা দিল্লিদা লাকখিবশিং সরকারনা অয়াবা পীরক্তবনা পেন্দবা ফাউহল্লে। অদুবু, মনিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখল মখা কয়াগী খোঙজং লেপ্তনা চথগনি।

ঙসি ৱাকৎ মীফম ফম্বগী অয়াবা পীরক্ত্রবসু প্রধান মন্ত্রিগী ওফিসতা চৎতুনা প্রধান মন্ত্রিবু মনিপুরদা লাক্কুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিনবীনবা থৌরাং পায়খৎপিয়ু হায়না বার্ত্তন তৌরমখি হায়সু কংগ্রেসকী এম.এল.এ. অসিনা ফোংদোকখি। করিগুম্বা প্রধান মন্ত্রিনা মনিপুরদা লাকপগী মতম লৈত্রবসু রাজনিতি দলশিংগী ওইবা মীফম অমা কৌবিনবসু আপিল তৌরমখি হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল নাগা ত্রাইবসকী মোনোলিথ অমা ঙসি চান্দেলগী এম.এল.এ- এস.এস. ওলিসনা-জিলা অসিগী লিৱা সরৈ ভিলেজতা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা শিনবা থৌরম অদুদা চান্দেলগী

হান্নগী এম.এল.এ. ভিক্তর নুংলুং, এ.দি.সি. চান্দেলগী হান্নগী চেয়ারমেন-দি. রিংগো অমসুং হান্নগী চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. গিলবার্ট মোনশাং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. লোরহোনা সোভিনর অমসু ফোংখি।

**হোম ঃ** গৃহ মন্ত্রালয়গী রাজ্য মন্ত্রি-শ্রী নিত্যান্দা রাইনা হায়রি-কেন্দ্র সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদম চাউখৎননবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক পায়খৎলি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা পাউমীশিংদা মন্ত্রিনা হায়-হকশেল, লম্বী থোংগী ফিভম, শিক্ষা অমসুং রেলৱেগী লমদা চাউখৎলকপদগী লমদম অসোমগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

মনিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা শ্রী নিত্যানন্দনা হায়-চাউখৎ থৌরাংগী লমদা মনিপুরদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি অমসুং লৈবাক অসিগী অহানবা নেসনেল স্পোর্টস একাডমী রাজ্য অসিদা লুপা কোতি ৪৪৩ চংনা শাবগী থবক চথুরি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী খুৎশা-হৈবশিংবু পুকিং থৌগৎতুনা আর্টিষ্টশিংগী ভিলেজ শেমগৎলে। অৱাং নোংপোক লমদমদা রেলৱেগী থবক পায়খৎলিবা অসিগী মতাংদা মন্ত্রিনা হায়-চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী ওইনা রেলৱেগীদমক বজেটতা লুপা কোতি লিশিং ৯,৯৭০ কায়থোক্লে।

নোংথক্কী লম্বী শেমগৎপগী মতাংদা মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরাদা অৱাং নোংপোক লমদমদা হান্না ইয়ারপোর্ট ৯ লৈরম্বদগী হৌজিক ইয়ারপোর্ট ১৭ শুরে। মহাকা হায়-উরান স্কিমগী মখাদা অনৌবা নোংথক্কী লম্বী ৬৪ দা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌবদগী অৱাং নোংপোক লমদমদা ইয়ার কনেক্টিভিটিগী ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা ফাগৎহল্লে।

শিক্ষাগী লমদা অৱাং নোংপোক লমদমদা এম.বি.বি.এস. কলেজ ৮

লোয়ননা অনৌবা স্কুল ৮৪৩ হাংদোক্কুনা অমসুং স্কিম লিশিং ৫,৮৪০ গী মখাদা লম অসিদা হেন্না ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎলি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**অস্তলক্সমি ঃ** প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লি ভারত মন্দপমদা অস্তলক্সমি মহোতসব হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা অৰাং নোংপোক ভারতকী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা কংলা সংস্কৃত্তিগী খুৎশু হৈবগী পোৎলমশিং, নাৎকী ওইবা চৎনবী অমসুং কংলা সংস্কৃত্তি উৎলি।

মহোতসব অসিনা অৰাং নোংপোক্কী রাজ্য নিপানগী মমিং লৈরবা টেক্সতাইল ইন্দষ্ট্রি, খুৎশা-হৈবগী পোৎলমশিং, টুরিজমগী মচাক মথুমশিং উৎলি। ফেষ্টিবেল অসিগী খ্বাইদগী মীয়ামগী পুকিং চিংশিনফম ওইগদৌরিবা অসি লমদম অসোমগী লৌমী ৩২০ অমসুং আর্টিসানশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎপা, রুরেল হট বজারনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না অৰাং নোংপোক ভারতকী মুগা অমসুং এরি-সিল্ক, আর্টিসানশিংনা খুৎশা-হৈবগী পোৎলমশিং শাদুনা মীয়ামদা য়েংহনবা য়াওরি। ফেষ্টিবেল অসিদা আর্টিসান ২৫০ হেনবনা অখন্নবা হেন্দিক্রাফট, হেন্দলুম অমসুং জি.আই.টেক ফংলবা আইটেম ৩৪ য়াওনা এগ্রীকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী পোৎলম কয়া উৎলি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিমযুম প্রেমচান্দগী--**

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা হৌখিবা দিসেম্বর অনিদগী চথরকখিবা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নপস-খা ইস্ফালনা আর.আর.সি.সি-চুরচান্দপুরবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা বেটি তৌখিবা আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরনা ওভর ১৬ কা বোল ২ মায়োকবদা ৱিকেট পুমমক তুদুনা রন-৫৬ লৌখি। মদুগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইনিংসতা নপসা খা ইম্ফালনা শুপগী ওভর ৮ দা পীরিবা টার্গেট রন য়ৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

**ফুটবোলঃ** লেট সিপোই নিকোলাস মোয়োন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ফাইনেলদা চিংখু এফ.সি অমসুং কাংখু এঠলিটিক এফ.সি. হয়েং শান্নরগনি।

২১ শুবা অসাম রাইফলসনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-চান্দেলগা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী জিওন্টলাং ভিলেজ গ্রাউন্দদা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কাংখু এঠলেটিক এফ.সিনা তোনসেন এফ.সিবু পেনালতি কাউনবদা গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চিংখু এফ.সিনা চান্দেল খৃষ্টান ৱাই.সিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

**শাফবাঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন (অম্বা) না শিনদুনা এন. সুরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি হন্টর কলেজ ভেষ্ট ফিজিক (মেল) কম্পিটিসন ২০২৪-২৫ ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা এন.জি. কলেজকী সঞ্জেনবম কুঞ্জালেম্বনা অহানবা পোজিসন, কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাংলুপ্তা-ষ্টেন্দরদ কলেজগী থোকচোম য়াইস্না মীতৈনা অহানবা পোজিসন, কিলোগ্রাম ৮০ গীনা ৱেষ্টর্ন কলেজগী লৈমাজম নোংথাং, কিলোগ্রাম ৯০ গী চন্দম কংলৈঙানবা খুমননা তাখি।

**ত্রাইয়েলঃ** মথং চহিগী জানুৱারী ২৯ দগী ৩১ ফাওবা কোলকাতাগী খুন্দিরাম অনুসিলান কেন্দ্র ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কিক বোক্সিং ফেদরেসন কপ-২০২৪ দা শরুক য়ানবা মনিপুরগী শান্নরোইশিং খন্নবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মোইরাংখোমদা লৈবা সমাসখি হায়স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না কিক বোক্সিং এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরদা খঙহল্লক্লি।